AIDS InfoNet www.aidsinfonet.org Fact Sheet Number 503

# ক্রিপটোকোক্কল মেনিনজাইটিস

SAATHII Solidarity and Action Against The HIV Infection In India

## ক্রিপটোকোক্কল মেনিনজাইটিস *(Cryptococcal Meningitis)* হায়বসি করিনো?

ক্রিপটোকোক্কস হায়বসি কোকফাই মখল অমনি। মসি লৈপাক্তা য়াম্না মরাং কায়না ফংই। অদোম্না সোর হোনবদা য়াওখিবা নৎত্রগা উচেক্কি অমাঙবা অকনবদা য়াওদুনা ইশা মনুঙদা চঙখিবা য়াই। অদুবু মসি মী অমদগী অমদা শন্দোকপগী মওং লৈতে।

মেনিনজাইটিস হায়বা অসি ক্রিপটোকোক্কসনা খ্বাইদগী থোকহনবা লায়নানি। মসি স্পাইনেল কোর্ড অমসুং ব্রেনগী কুরাংবান্দা থোকপা ইনফেক্সন মখল অমনি। মসিনা মীওই অমবু কোমা (হায়বদি জ্ঞান তাদনা লৈবা) অমসুং শিহনবা ফাওবা য়াই। উনশা, থবোম্বী অমসুং হকচাংগী অতোপ্পা কয়াৎ কয়া ক্রিপটোকোক্কসনা শোকহনবা ঙম্মী। অদোমগী সিডি ফোর কাউন্ট অদু ১০০গী মথক্তা ওইরবদি ক্রিপটোকোক্কসনা শোকহনবগী চাং অসি খ্বাইদগী ৱাংই (ফেক্ট সীট ১২৪ নৈনবীয়ু)। ক্রিপটোকোক্কেল মেনিনজাইটিস হায়বা অসি মরু ওইনা চাওখৎলক্লিবা লৈবাকশিংদা থোক্কনবা ঐচআইভিগা মরি লৈনবা তাঞ্জা য়েংলগা চঙলকপা অচৌবা (ওপ্পোর্চুনিষ্টিক ইনফেক্সন) অমনি। ইকুই কুইদ্রিবা থিজিনবা অমদা মসি চহী অমদা হায়রিবা অনাবা মিল্লিয়ন অমগী কেস লৈ হায়না পানরি।

লাইহৌ, হকচাং চোকথবা, ঙক নাবা, কোক চিকপা, ওনিংবা, ৱাখল ককঙাওনবা, শেংনা উরক্তবা নৎত্রগা অরাবা মঙাল হৈনদবনা মেনিনজাইটিসকি অহানবা খুদমশিংনি। লাইওংশিং অদুদি তপ্পা লাক্কনি।

হায়রিবা লাইওংশিং অসি ঐচআইভিনা শোকহল্লবা নৎত্রগা মদুগীদমক শিজিন্নরিবা হীদাকশিংনা থোকহল্লি। মরম অদুনা লেবোরেটরিদা চাংয়েং তৌদুনা মেনিনজাইটিসনা নারব্রা হায়বদু খঙদোক্কদবনি। মসিদ নত্তনা ঐচআইভিনা শোকহল্লবা এন্টিরেট্রোভাইলে ট্রিট–মেন্ট হৌরুরবা অমসুং ক্রিপটোকোক্কস চঙখ্রবা মীওইশিং অদু হায়রিবা লাইওংশিং অসি ইম্যুন রিকন্সুটট্যুসন সিন্দ্রোমগী শরুক অমা ওইনা হৌরকপা য়াই (ফেক্ট সীট ৪৮৩ নৈনবীয়ু)

হায়রিবা চাংয়েংশিং অসি ঈ নৎত্রগা য়াংলেন শরূগী মহী শিজিন্নৈ। য়াংলেন শরূকী মহী অসি হকশেলগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা স্পাইনেল টেপ তৌদুনা লৌই। অদোমগী নিংগোংগী হেক মথক্তা খ্বাংগী ময়াইদা য়েতুম অমা থিংজিন্দুনা মহী অসি লৌই। মহীগী প্রেসরসু চাং ওনবা য়াই। করিগুম্বা প্রেসর য়াম্না ৱাংলল্লবদি, হকশেলগা মরী লৈনবা মীওই অদুনা মহী খরা চিথোকখিবা য়াই। হায়রিবা চাংয়েং অসি য়াম্না চেকশিনবা অমসুং নাদবা চাংয়েংনি। অদুবু করিগুম্বা মতমদা অখন্নবা মীওই খরদি নুমীৎ খরনি কোক চীকপা য়াই।

অসুম্না লৌথোক্লবা ঈ নৎত্রগা য়াংলেন শরূগী মহী অসিদা ক্রিপটোকোক্কস য়াওব্রা হায়না চাংয়েং মখল অনী থোক্লা তৌবা য়াই। “CRAG” টেষ্ট হায়বসিনা ক্রিপটোকোক্কসনা পুথোকপা এন্টিজেন (প্রোটিন) অমা য়াওব্রা হায়দুনা থিদোকই। ‘কলচর’ তৌবা হায়বসিনা ক্রিপটোকোক্কস হায়রিবা কোকফাই অসি য়াংলেন শরূগী মহী অদুদগী লৌথোক্লগা তোঙান্না হৌহনবা য়াব্রা য়েংবনি। সিআরএজি টেষ্টিং অসি য়াম্না থুবা অমসুং নুমীৎ অদুমক্তদা ফল পীবা ঙমই। কলচর তৌবদি অশেংবা ফল খঙনবা হোৎনবদা চয়োল অমা হেন্না চঙবা য়াই।

## মিনিনজাইটিস করম্না লায়েংগদবগে?

এন্টিফঙ্গেল হীদাকশিং শিজিন্নদুনা মিনিনজাইটিস লায়েং চথৈ। লায়েংবা ডোক্টর খরনা ফ্লুকোনাজোল শিজিন্নৈ (ফেক্ট সীট ৫৩৪ নৈনবীয়ু)। মসি গুলি ওইনা নৎত্রগা শিংলিদা কাপ্পবগী মওং হায়বদি ইন্ট্রাভেনস ড্রগ ওইনসু ফংই। ফ্লুকোনাজোল অসি শিজিন্নবদা অদুম কান্নৈ অমসুং হকচাংনা খাঙবা ঙমই। ফ্লুকোনাজোল শিজিন্নবা ঙমদবা মীওইশিংনা ইন্ট্রাকোনাজোল (Intraconezole) শিজিন্নবা য়াওই। অতোপ্পা হকশেলগী তেংবাং পীবিবা মীওইশিংনা এম্ফোটেরেসিন বি (amphoterian-B) অমসুং ফ্লুসাইটোসিন (flucytosine) কেপসুলশিং ওইনা শিজিন্নৈ।

এম্ফোটেরিসিন বি হায়বা অসি য়াম্না কনবা হীদাকনি। মসি ইনজেক্সন ওইনা নৎত্রগা শিংলিদা তপ্পা ইন্ট্রাভেনস ইনফ্যুজন ওইনা পী। হায়রিবা হীদাক মখল অনী অসি য়াম্না খুদোংথীনিংঙাই ওইবা মওংদা সাইড ইফেক্ট লৈ। হায়রিবা হীদাক অসি চাদ্রিঙৈ পুংখায় অমমুক্কি মমাঙদা এডভিল নৎত্রগা টাইলেনোল চারবদি সাইড ইফেক্টশিং অদু হন্থহনবা ঙম্মী। এম্ফোটেরিসিন অসি ফেট ববলস (লিপোসোম)না য়োমশিন্দুনা থম্বা অনৌবা মখলগী হীদাক লৈরে। হায়রিবা মওং অসিদি সাইড ইফেক্ট হন্থহল্লি।

অহানবা ওইনা ক্রিপটোকোক্কল মেনিনজাইটিসনা শোকহল্লবা মীওই মশীং তঙ্খায়মুক্তগী অমুক্কা হন্না নারকপা য়াই। করিগুম্বা এন্টিফঙ্গেল হীদাকশিং লেপ্তুনা চারবদি অসিগুম্বা হঞ্জিন–হঞ্জিন নাবা অসি হন্থহল্লি। তৌইগুম্বসুং অনৌবা থিজিনবা অমদদি সিডিফোর কাউন্ট অদু ১০০ দগী হেল্লবা অমসুং থা অহুমলোম ভাইরেল লোড ডিটেক তৌবা ঙমদ্রবা (ফেক্ট সীট ১২৫ নৈনবীয়ু) মীওইশিংদদি মেনিনজাইটিস অসি হঞ্জিল্লকপা লৈতে হায়রি।

মীওই খরগীদি য়াংলেন শরূগী মহী অদু মরক–মরক্তা চিংথোকপনা ব্রেনদা প্রেসর পীবা হন্থহন্দুনা লায়েংই।

# ক্রিপটোকোক্কল মেনিনজাইটিস

করিগুম্বা অদোমদা অতেনবা মতমগী ওইবা ক্রিপটোকোক্কল ইনফেক্সন লৈখিবা তারবদি এআরটি পীবা হৌবদা খুদোংচাদবা লৈগনি। মতাং অসিগীদমক অদোমগী হকশেলগী তেংবাং পীবিরিবা মীওই অদুগা তানবীয়ু।

## ঐখোয়না করম্বা লায়েং অমা খনগদবগে?

করিগুম্বা মেনিনজাইটিসনা নারবদি এম্ফোটেরিসিন বি, ফ্লুকোনাজোল অমসুং ফ্লুসাইটোসিননচিংবা এন্টি–ফঙ্গেল হীদাকশিং অসিনা লায়েংগনি। এম্ফোটেরিসিন বি অসিনা খ্বাইদগী কনবা হীদাক ওইরবসু কিডনি শোকহল্লি। অতৈ অতোপ্পা সাইড ইফেক্ট হন্থবা হীদাকশিং অসিদি ক্রিপটোকোক্কস তকথোকপদা মগুন হন্থে।

করিগুম্বা মেনিনজাইটিস অসি অঙনবা মতমদা খঙদোকপা ঙম্লবদি এম্ফোটেরিসিন বি য়াওদনা লায়েংবা য়াই। অদুবু তোয়না শিজিন্নবা লায়েংবদি এম্ফোটেরিসিন বি হপ্তা অনী পীজরগা ফ্লুকোনাজোল মহী ওইনা পীথক্কনি। ফ্লুকোনাজোল অসি পুন্সি চুপ্পগী ওইনা শিজিন্নগদবনি। মসি য়াওদ্রবদি মেনিনজাইসিট হঞ্জিল্লকপা য়াবগী চাং ৱাংই।

## মেনিনজাইটিসতগী ঙাকথোকপা য়াব্রা?

অদোমগী সিডিফোর কাউন্ট অদু ৫০গী মখা ওইরবদি ফ্লুকোনাজোল শিজিন্নদুনা ক্রিপটোকোক্কল মেনিনজাইটিসিতগী ঙাকথোকপা য়াই। অদুবু মসিগী লায়েং অসি ডোক্টরশিংনা শিজিন্নদবগী মরম ময়াম অমা লৈ ঃ

- ফঙ্গসনা নাহনবা লায়না অয়াম্বনা লায়েংবদা ৱাদে।
- ফ্লুকোনাজোল হায়বা অসি য়াম্না তাঙবা হীদাকনি।
- ফ্লুকোনাজোল মতম শাংনা চারবদি ফ্লুকোনাজোলদা রেজিস্টেন্ট ওইবা থ্রষ্ট, ভাজিনিটিস নৎত্রগা খনাওদা শাথীনা ইনফেক্সন্নচিংবা য়িষ্ট হায়না খঙনবা কোকফাইনা থোকহনবা লায়নাশিং নারকপা য়াই (ফেক্ট সীট ৫০১ নৈনবীয়ু)। হায়রিবা ফ্লুকোনাজোলনা চঙবা ঙমদবা লায়নাশিং অসি এম্ফোটেরেসিন বি খক্তনা লায়েংবা ঙমই।

## ৱারোইশিন

সিডিফোর কাউন্ট অদু ১০০গী মখাদা লৈবা মীওইশিংদা ক্রিপটোকেক্কল মেনিনজাইটিস তৌবগী চাং হেল্লি। এন্টি–ফঙ্গেল হীদাকশিংনা মসিদগী ঙাকথোকপা ঙম্লবসু মখোয় মমল ৱাংবা অমসুং দ্রগ রেজিস্টেন্ট ওইবা য়িষ্টনা পোকহনবা লায়নাশিং নারকপা য়াবগী ফিভম লৈবনা তোয়না শিজিন্নদে।

অদোম মেনিনজাইটিসনা নারে হায়বসি ঙন্না খঙদোকপা ঙম্লবদি খরা হন্থনা ময়াক চেনবা হীদাকশিংনা লায়েংবগা অদুম ঙমগনি। করিগুম্বা কোক চীক্লবা, ঙক নারবা, শেংনা উরক্তবা, ৱাখল চোইরক্লবা নৎত্রগা ওনিংলক্লবদি অদোম্মু লায়েং পীরিবা মীওই অদুগা তানবীয়ু।

করিগুম্বা মেনিনজাইটিসনা নাখ্রবদি অনাবা অসি অমুক হল্লক্তনবা এন্টি–ফঙ্গেল হীদাকশিং শিজিন্নবা দরকার লৈগনি।

***Reviewed June 18, 2010***